থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# ‘দ্রগ-সীজিন্নব’ - ফন্দামেন্তল রাইত ওইরক্কদ্র?

‘দ্রগ’ হায়ব ইংরাজি ৱাহৈ অসি ঐখোয়’-লোন্দ ‘হিদাক’ হায়ন হনগদ্র/ময়ায় কাব পোৎ হায়ন হনগদ্র? খনফম খঙদে ঐ। কোক চীকপ, লোক থুংব, খোঙ হাম্বনচিংব অনাব মচা-মসূদগী হৌরগ, অদুবা অনাব মখল খূদিংমক ফহন্নবগীদমক্ত মীওইবন সীজিন্নরিব হিদাক (মেদিসিন) পূন্নমক ‘দ্রগ’ হায়বা ৱাহৈসিন কোনসিল্লি। দ্রগ ঙাক্তনি। ঐখোয়ন দ্রগ সীজিন্নরিব, দ্রগ অদুন হকচাঙ মনূংদ চঙখ্রগ, মদুন হকচাঙদ থোকহল্লিব/থোকহল্লক্কদৌরিব ‘ইফেক্ত’ অদুগীদমক্লি। চুম্ন সীজিন্নরগন হীদাক ওইরে, লান্ন শীজিন্নরগন ময়ায় কাব চীঙ্গাক (দ্রগ) ওইরে - দ্রগ এব্যুজ কৌরে। দ্রগ এব্যুজ হায়বসি, ঙসিগী ইন্তরনেসনেল লো’ন ক্রাইম অমনি হায়ন লাউথোক্লে। ইংলিস লোন, ঈনাক খুল্লি হায়রিবসি মতাঙসিদসু নীংশিংলকই - দ্রগ হায়বসিগী অতোপ্প মশক অমা তাক্লব ‘নার্কোতিক’ হায়ব অতোপ্প ৱাহৈ অমসু শেন্নম্মি - পূক্লিং, ৱাখল, মুদ অমদি ৱাঙাং-শাঙাং-বিহেবিয়র হোংহনবা, ৱাখল-লৌশিং (কন্সিয়সনেস) মাঙহনব, হকচাঙগী চৈনা ফাওহন্দব, সীজিন্নব হৌখ্রগ থাদোকপ ৱাব দ্রগ মখল অদুগী মমিং ওইন।

দ্রগ মশক তাক্লব মখা তান অতোপ্প ৱাহৈ সীজন্নজররোই ঐবু তাকপীব ঙম্ব অপাবন অয়াম্বনি। হৌখিব মতম খরসি - দ্রগ এদ্দিক্সন, দ্রগ পেদ্দলর, দ্রগ লোর্দ, দ্রগ ৱার... হায়বনচিংব ৱাহৈ খরসিন ঐগী ৱাখলবু তত্তন ওৎলি। দ্রগ এদ্দিক্সন/দ্রগ এব্যুজ’ন মরম ওইদুন নুংসিরব মরূপ-মপাং-মরী-মতা-ঈচাগুম-নহা কয়াগী পুন্সি খাংঙুথক্ত মাঙখিবা, নুংশি-নুংশি কায়নখিব থেংনরক্লে। থেংনখিদৌরি তুংদসু।

দ্রগ এদ্দিক্সন অমদি দ্রগ পেদ্দলরগী ৱাথোক অসি মণিপুরদ অনৌবা নত্তে। চহী নিপু-য়াঙখৈগী মমাঙদগী অচৌব ৱাথোক ওইদুন লাক্লবনি। মমল য়াম্লব পুন্সি কয়া মাঙখরে, ঈমুং কয়া মূৎখরে। দ্রগ’ক মরী লৈনব আইন কয়া লৈপাকসিদ লৈরবসু, অরানব তৌব (দ্রগ চাব অমদি লল্লোনব মী) শিংদ অহকপ চৈরাক পীনব লিগেল প্রোভিজন লৈরবসু লৈঙাক-ওথোরিতিন কনাদসু চৈরাক পীখিবগী পাউ-ঈবা পঙনা তাখিদ্রি। ঙসিদি, মণিপুরদ লৈরিব ‘খোঙতেক-মীত্তাং’পুন্নমক খঙলে... ‘দ্রগ কারবার অসিদ ঈনাক খুনব, তৌব ঙম্ব অচৌ অশাঙ, পোলিতিসিয়নশিংবুসু ইনফ্লুয়েন্স তৌবা ঙম্ব মীওই চেন্নে... কারবার অসি ঙসিসু লেপ্তুন চথ্খরি’...। চীন থীব, ওইদব ঙাঙব হায়বসি পোলিতিসিয়ন অমগী তৌদব য়াদ্রব থৌগায় অম ওইবন, মমল য়াম্লব, মখল কয়াগী দ্রগ ফাবগী ৱাথোক কয়া মথঙ মথঙ থোক্লকপদুদ মণিপুরগী লৈঙাক পুরেন’নসু লাউথোকখি-ৱার এগেনস্ত দ্রগস। খোল্লাউ অদু ‘পোলিতিকল গিম্মিক’ (মীবু ঙাইহাক মীই থকহন্নবা ত্রিক) অমনি হায়বা নাখৈ শেংলবনিন, হৌজিক্তি, মণিপুরগী মীয়ামসু দ্রগ’কী ৱাথোক থোক্লকপদ করিমত্ত নাচুংদব হৈরে।

অদুবু, হন্দক (হৌখিবা জুন ১৪গী অয়ুক্ত) বিহারদগী তেলেন্ত লৈরব এক্তর অম মুম্বৈদ লৈবা মশাগী ময়ূমদ ‘মথন্ত শিজবনি’ হায় ‘মীন হাৎপনি’ হায়, চরক-চহীংনব থৌদোক অম থোকখি, নেসনেল মেদিয়া হাউজ অমন নন-স্তোপ রিপোর্তিং তৌরকপদগী সেন্ত্রেল গোবর্ণমেন্ত তূমিন লৈব য়াখিদে। সি বি আই থাজীন্দুন ইনভেস্তিগেসন তৌহল্লকপ, এনফোর্সমেন্ত দিরেক্তোরেত’ন মতীং ফুদোরকপদগী, শিখিব নহা অদু দ্রগ সীজিন্নরম্মী হায়বগী ৱারোল অম নহাদুগী নুংশিনবী, গর্ল-ফ্রেন্দ’দুন ফোঙদোরকপদগী থিজিন-হূমজিনগী থবক্তুদ ‘এন সি বি’ (নার্কোতিক্স কন্ত্রোল ব্যুরো) য়াওসীল্লকখি। ৱাকোই অমুক সূজররোই। এন সি বি য়াওশিল্লকপদগী বোম্বে ফিল্ম-ইন্দস্ত্রি (বোল্লিৱুদ), মনুংদা লৈরল্লিবা ‘দ্রগ-রেক্কেত’ মালেমদ সবাক ফাক্লক্লে। হৌজিক এন সি বি’ন কৌদুন ৱাহং পাউহং তৌরক্কদব স্তারশিংগী মিং, নেসনেল-নিউজ-হেদলাইন ওইরি, পার্লিয়ামেন্ত য়ৌন নৈনরব ইশ্যু অম ওইরক্লি।

অঙকপদি, মণিপুরদ ‘দ্রগকী মায়োত্তঃ লান’ ফাওব লাউথোকখ্রে’সিফাওবদ অসুক শক্তি লৈরব ‘নার্কোতিক্স কন্ত্রোল ব্যুরো’- কনামত্তই চীন্দ পন্নখিদে। অঙম-অথৌ-পোলিতিসিয়নশিংন শান্নব ছত্ৰংগী খোঙমী ওইরিব পুলিসশিং, মখোয়না পীবা রিপোর্ত, য়ূমফম য়াওদে খঙল’সু, মখোয়দ অদুম শিন্নরি - মথক থোংব মপুশিংন হুরানবই থবক্তু ফানব থৌদাং। শেনজাও পায়ব, ঈনাক-খুনব, সেলেব্রিতি ময়াম্ন দ্রগকী ঈপাক্ত লূপ্লম্বদ নেসনেল দিবেত অম ওইন নৈনরিব করিগীনো? মখোয় খরন মাংলগ পূন্নমকপু মাংথোক্লিবা করিগীনো? ৱাহং কয়ানি হংনরিব? অশাংব পাউখুম পীররোই, অতেনব পাউখুমদু পাউদমজগে। দ্রগকী কারবারদ-ইন্তরনেসনেল দ্রগ-লোর্দশিংনা শান্নবা অচৌবা কারবার অমনি। মসিদই ফংবা শেন্দোংনা হৱালা ত্রান্সিক্সন (শেল য়াওদন শেল থাবই থবক), তেরোরিস্তশিংগী খূৎলায় লৈব, অমদি মরা চেৎপ লৈঙাক্কী য়ূমফম থুগায়বনচিংব থবক্তঃ সীজিন্নৈ হায়বদগী দ্রগ লল্লোনবই থবকসি অরুবা ক্রাইম অম ওইনা লৈপাক খূদিংমক্ত লৌনৈ। অসুম্ন, মখল কয়াগী ময়াই কাব দ্রগ লৈব, য়োনব, শুংব, পুব, চাব, থকপ... থবকশিং অসি থিংনবগী পান্দমদ ‘নার্কোতিক্স কন্ত্রোল ব্যুরো’১৯৮৬, মার্চ ১৭ ত নিউ দিল্লিদ লিংখৎখি। মিনিস্ত্রি ওফ হোম এফ্যার্সগী মীৎয়েংখাদ লিংখৎখিব ‘ব্যুরো’ অমসুং ১৯৮৫ ত শেমখিব ‘নার্কোতিক দ্রগস এন্দ সাইকোত্রোপিক এক্ত’ অদু মপূম ফান থবক্ত ওন্থোক’ঙম্নবগীদমক্লি।

নার্কোতিক্স কন্ত্রোল বোর্দ’ন হৌজিক মহারাষ্ট্রগী মুম্বইদ, লৌখৎলক্লিব থবক ময়ামসি, মুম্বই-পুলিস ফোর্স অমদি মহারাস্ত্র গোবর্ণমেন্ত, করিমত্ত তৌব ঙমদন তিংঙক তিংঙক য়েংদুন পৱরলেস ওইনা লৈরবগুম উহল্লি। মমিঙ চৎলব, অহৈব উকিল কয়াগী লৌশিং এন সি বি’গী মমাঙদ চন্নদ্রবগুম উরক্লি। নুপী-সুপর-স্তার দিপিকা পাদুকোন’ন ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ফব-ক্রিমিনেল-লোয়র তরানিথোই নেক্তুনা ৱা তানবগী পাউ, ফোঙ ফোঙ শান ঙাঙনরি। ফিল্ম-স্তারশিংন দ্রগ সীজিন্নরকপগী ৱাথোকসিন লুশিল্লকপসিদ সুপ্রিম কোর্তগী লোয়র অমন হায়... ‘ময়াই কাব পোৎ অম ওইরবসু ‘য়ু’ (হ্বিস্কি, ব্রান্দি, ৱাইন)বুদি ফোংন য়োনব/লৈব য়াহনব, ফোংন থকপ য়াহনব, আইন’ন য়াব থবক অম ওইহনব, শিব-পুজাগী মিংদ গঞ্জা থকপসু থিংদব... অসিগুম্ব প্রাক্তিস’সি পাউখোং অম ওইরগ, নার্কোতিক-দ্রগ সীজিন্নবসু ইন্দিয়ন সিতিজেন অমগী ফন্দামেন্তেল রাইত অমনি, রাইত অদু ফংহনগদবনি হায়দুনা কনাগুম্বন লিতিগেসন অম থাঙ্গৎলকপ, পার্লিয়ামেন্ত’ন এক্ত অম পাস তৌরকপ ... অঙকপ নত্তে লমসিদ।

## ঈ কৎপগী থৌরম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : ঙসিদগী ওক্তোবরগী ১ ফাওবা চয়োল অমা চুপ্না চৎথগদবা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প লাইফ সেবর্স মণিপুর, এদভোকেট লৈশাংথেম রোশমনি মেমোরিয়ল ট্রষ্ট, স্পোর্টস এসোসিয়সন ফোর ভিজ্যুলি ইম্পায়ার্দ (এস এ ভি আই), হেন্দিকেপ ফাওন্দেসন, ষ্টেট ব্লদ সেল, নেসনল হেল্থ মিসন অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিন, রিমসকা পুন্না খুৎশম্নদুনা রিমস ব্লদ বেঙ্ক লম্ফেলদা হৌদোকখ্রে হায়না লাইফ সেবর্সমণিপুরগী মেনেজিং দিরেক্টর কে পদমা কুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, ঙসি ঈ কৎপগী থৌরম হৌদোকপা অদুদা হেন্দিকেপ ফাওন্দেসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট দা. সাপম জসোবন্তা, লাইফ সেবর্স মণিপুরগী মেনেজিং দিরেক্টর অমদি এ এল আর মেমোরিয়ল ট্রষ্টকী বোর্দ ওফ ট্রষ্টিশিংসু শরুক য়াখি। ঈ কৎপগী থৌরম অসিদা তুংগী য়ুম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা খুন্নাই অসিগী ভলন্টরি ব্লদ দোনর নহা কয়ানা শরুক য়াখি। থৌরম অসিদা এসোসিয়সন, ক্লব অমদি ওর্গনাইজেসনশিংদগী লাকপীখিবা পুকচেল চাওরবা মীওইশিংবু থাগৎপা ফোংদোকচবগা লোয়ননা থৌরম অসি চয়োল অমা চুপ্না চৎথগদবা মরমনা ঈ কৎপগী থৌরম অসিদা লমদম অসিগী ইকায়খুম্নজরিবা খ্বাই খিবিক্লা শরুক য়াবিয়ু হায়না লাইফ সেবর্স মণিপুর অমদি এদভোকেট লৈশাংথেম রোসমনি মেমোরিয়ল ট্রষ্টকী মায়কৈদগী নোল্লুক্না নীংশিংজরি হায়না চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

## নোংপোক কৈথেলমানবীদা এৱ্যারনেসকী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : পিপল্স টাক্স ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯না ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেটব্রাঞ্চ, আই এম এ অমদি এ ঐচ পি আই মণিপুর চেপ্টরনা শিন্দুনা পাঙথোকরকপা এৱ্যারনেসকী থৌরম ঙসিসু তোঙন-তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখ্রে হায়না পি টি এফ সী-১৯গী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা ইন চার্জ এম অঙম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, লায়না লাইচৎ অসি করম্বা থাক্তা লৈরি, কম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী ষ্টেজ য়ৌশিল্লকপদা মীয়াম্না কমদৌনা মহীক অসি থেংননবা শেম শাগদগে হায়বগী মতাংদা খন্না নৈন্নবগী মীফম তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ঙসিসু লেপ্তুনা চৎথরি। ঙসি নোংপোক কৈথেলমানবী বাজারদা নোংপোক কৈথেলমানবি জুবেনাইল ক্লবকা পুন্না এৱ্যারনেস পাঙথোকখি। এৱ্যারনেসকী থৌরম অদুদা নোংপোক কৈথেলমানবী জুবেনাইল ক্লবকী প্রসিদেন্ট সী এচ জোয়, রিটায়র্দ আই এ এস অমদি আই আর সী এস মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি আর কে নিমাই অমদি পি টি এফ সী-১৯গী কো-কনভিনর এন বিমোলনা রিসোর্ছ পার্সন অমদি প্রেসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি হায়রি। লোয়ননা মখা তানা খুন-খুন, লৈকায়-লৈকায়দা অমদি মীয়াম তিনবা মফমশিংদা কোভিদ-১৯গী মতাংদা এৱ্যারনেস প্রোগ্রাম চৎথখিগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ADMISSIONS OPEN FOR FEW VACANT SEATS

Central Institute of Petrochemicals Engineering & Technology (CIPET)
सेन्ट्रल इंस्टिट्यूट ऑफ प्लास्टिक्स इंजीनियरिंग एण्ड टेक्नोलॉजी (सिपेट)
(Dept. of Chemicals & Petrochemicals, Ministry of Chemicals & Fertilizers, Govt. of India)
Takyelpat,Industrial Estate,Imphal-795001
Website : www.cipet.gov.in

LIMITED SEATS ONLY FIRST COME FIRST ADMISSION
LAST DATE : 30th SEPTEMBER 2020
EXCELLENT PLACEMENT TRACK RECORD

Diploma and Postgraduate Diploma Courses for 10th, 12th Std. & above

| Sl. No. | Name of Course | Course Duration | Entry Qualification |
|---|---|---|---|
| 1 | Diploma in Plastics Mould Technology (DPMT) | 3 years | Full time 10 Std. |
| 2 | Diploma in Plastics Technology (DPT) | 3 years | Full time 10 Std. |
| 3 | Post Graduate Diploma in Plastics Processing & Testing (PGD-PPT) | 2 years | 3 year full time Degree in Science |

* 100% Job Assistance. Scholarships. Education Loan Assistance
Seperate Hostels for Boys & Girls. AICTE Approved

Admission to Direct Second Years Diploma Programe through Lateral Entry

| Sl. No. | Name of Course | Course Duration | Entry Qualification |
|---|---|---|---|
| 1 | Diploma in Plastics Mould Technology (DPMT) | 2 Years | XII Science Passed or X Standard + 2 Years ITI Passed |
| 2 | Diploma in Plastics Technology (DPT) | 2 Years | XII Science Passed or X Standard + 2 Years ITI Passed |

For further details please contact
Principal Director & Head, CIPET CSTS - IMPHAL
7005828320/9862027863/8974431157

HL-P/7590/24,25,26

লৌশিং পুক্কে

# মেদিটেসন তৌবা, যোগ শান্নবা



মেদিটেসন তৌদুনা পূক্লিং ৱাখল ফাথবগা লোয়ননা চাং নাইনা যোগ শান্নবা অমসুং মনা-মশিং খক্তা চাবনা হার্ট দিজিজগী রিস্ক হন্থহল্লি হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে।

পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়নাশিংগী মনুংদা হার্ট দিজিজসু অমনি। লায়না অসিনা মরম ওইরগা মালেমদা মীওই কয়া মনুং মতম চাদনা শিহল্লি। ষ্টদি অমদা মীওই খরবু নুমীৎ ৬ নি মনা-মশিং খক্তা পীজবগা লোয়ননা যোগ অমসুং মেদিটেসন তৌহনবদা কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজগী রিস্ক হন্থরকপা থেংনখি।

ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা সেন্টর ফোর ৱেলবিইংগী দিপক চোপ্রানা হায়খি, শুপ্নগী চয়োল অমখক্তং ওইরবসু পঞ্চকর্ম্মগী থৌরাং লৌখৎপদা য়াম্না চাউবা কান্নবা ফংই। পঞ্চকর্ম্ম হায়বসি মসাজ তৌবগা লোয়ননা মনা-মশিং খক্তা পীজবা, লোয়ননা যোগ অমসুং মেদিটেসন তৌদুনা হকচাং মনুংগী কয়াৎশিং শেংদোক্লগা মপাঙ্গল কলহনবগী থৌওংবুনি। সেন্টর ফোর ৱেলবিইংদা লৈবা মশাগী চহী ৩০ অমসুং ৮০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওই ১১৯ দা চথখিবা ষ্টদি অমদগী ৱাফম অসি খঙলকপনি।

হায়রিবা মীওইশিং অদু চাংয়েং পাঙথোক্ত্রিঙৈ মমাঙ অমসুং লোইরবা মতুংদা লিক্বিদ ক্রোমাটোগ্রাফি অমদি মাস স্পেক্ট্রোমিট্রিনচিংবা ব্লদ প্লাসমা এনালাইসিস তৌদুনা য়েংলম্মী। পঞ্চকর্ম্মদা য়াওবা মীওইশিং অদু কোলেষ্টরোল হন্থরকপগা লোয়ননা টাইপ টু দাইবেটিসকী রিস্ক হন্থরকপা থেংনখি। ঈদা য়াওবা কোলেষ্টরোলগী চাং ৱাংখৎলক্লবদি মীওইবদা কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজগী রিস্ক হেনগৎলকই।

শুপ্নগী নুমীৎ ৬ নিখক মনা-মশিং খক্তা পীজবগা লোয়ননা যোগ অমদি মেদিটেসন তৌবদা য়াম্না চাউনা কান্নবা ফংলবনিনা মতম শাংনা থৌওং অসি চথরবদি অমুক্কা হেন্না কান্নবা ফংবা য়াই হায়রি। অদুম ওইনমক হীরম অসিগী মতাংদা হেন্না মমুৎ তানা খঙনবগীদমক মখা তানা থিজিনবা মথৌ তারি। ৱাফম অসি ‘সাইন্টিফিক রিপোর্টস’কী সেপ্টেম্বর ৯ গী ইস্যুদা ফোঙলকখিবনি।

রিছার্চরশিংনা হায়খি, কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজগী রিস্ক হন্থহন্নবগীদমক মথক্কী থৌরাং অসি লৌখৎপা য়াম্নমক তঙাইফদে। কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজ হায়বসি পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না অমনি। মীওইবনা চাহৈদবা চারুবা অমসুং তৌহৈদবা তৌরুবদগী লায়না অসি ওইরকপনি হায়রি। হার্ট দিজিজ নৎত্রগা ব্লদ ভেসেল দিসজজ হায়নসু খঙনবা লায়না অসি এথরোসক্লেরোসিসকা মরী লৈনৈ। অর্টরিগী ৱালদা প্লেগ হায়না খঙনবা মপং-মপং পৈশিল্লকপদগী ঈ উতোং খুজিল্লকপগী থৌওংবুনি। মসিনা ঈগী ঈচেলদা অপনবা থোকহন্দুনা হার্ট এটেক তৌহল্লকপা য়াই। হার্টতা মপুং ফানা ঈগী ঈচেল য়ৌবা ঙমদবদগী হার্ট এটেক তৌরকপনি।

হার্ট এটেক তৌখ্রবা মীওই অয়াম্বা ফীভম ফগৎলক্তুনা হান্নগী পুন্সি মহিংদা অমুক হঞ্জিনবা ঙম্মী। অদুম ওইনমক হার্ট এটেক তৌখ্রবা মীওই খুদিংমক পুন্সি মহিং শেমদোকপগী তঙাইফদবা লৈ। খ্বাইদগী তোয়না থেংনবা হার্ট এটেক মখলদি ইস্কেমিক ষ্ট্রোকনি। ব্রেন য়ৌনা চেনবা ঈ উতোং অমা ফুনখিবদগী থৌওং অসি ওইরকপনি। ব্রেনগী শরুক খরদা মপুং ফানা ঈ য়ৌহনবা ঙমদ্রবদি ব্রেন সেলশিং শিখিবদগী ৱা ঙাঙবা নৎত্রগা খোঙনা চৎপগুম্বা হান্না তৌবা ঙম্লম্বা থবক কয়া তৌবা ঙমহন্দে।

ব্রেনদা লৈবা ঈ উতোং অমা কায়রবদি হিমোরেজিক ষ্ট্রোক তৌরকই। কা হেন্না ব্লদ প্রেসর ৱাংবদগী থৌওং অসি ওইহল্লকপনি। ব্রেনদা ওক্সিজেন অমসুং ঈ ফংদবদগী ষ্ট্রোক তৌখ্রবা মতুংদা কনাগুম্বা মীওই অমবু মতম পুম্বগী ওইনা শোয়নাইহনবা য়াই। ব্রেন সেল মশীং য়াম্না শিখিবদগী থৌওং অসি ওইহল্লকপনি। অদুবু ব্রেন সেল খরদি মতম খরা লৈরগা মশা মথন্তা অমুক তপ্না তপ্না ফীভম ফগৎলকই।

হার্টনা মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমদবগী থৌওংবু হার্ট ফেলিয়র নৎত্রগা কঞ্জেষ্টিব হার্ট ফেলিয়র হায়না খঙনৈ। মতম চানা লায়েংহৌদ্রবদি ফীভম হেঞ্জিল্লক্তুনা মী শিহনবা য়াই।

হার্টনা তান্থা কায়না মথৌ তৌবগী থৌওংবু এরিথমিয়া হায়না খঙনৈ। এরিথমিয়াগী তোঙান তোঙানবা মখল কয়ামরুম লৈ। হার্টনা কা হেন্না তপ্না, নৎত্রগা কা হেন্না খোঙজেল য়াঙনা নৎত্রগা অমুক তপ্না অদুগা অমুক খোঙজেল য়াঙনা মথৌ তৌরকপা য়াই। মিনিট অমদা ৬০ রক্তগী তানা মিহুল চোংবগী থৌওংবু ব্রেদিকার্দিয়া কৌই। মিনিট অমদা ১০০ দগী হেন্না মিহুল চোংলগনা টেচিকার্দিয়া হায়না খঙনৈ।

হার্টকী ভালভনা অশোয়বা লৈরগসু খুদোংচাদবা মায়োক্লরকই। হার্টকী ভালভ মপুং ফানা হাংদোক্ত্রবদি হার্টতা ঈ মপুং ফানা চঙবা ঙমদে। মপুং ফানা ভালভ খুমজিন্দ্রগনা হার্টতগী ঈ লিক ওইরকই। পুন্নমক অসিগী মথক্তা কোলেষ্টরোল, ফেট্টি সবষ্টেন্স, সেল্যুলর ৱেষ্ট প্রদক্ট, কেলসিয়ম অমসুং ফাইব্রিন পৈশিল্লকপদগী ঈ উতোং থাগৎলগা কনশিল্লকপা য়াই। থৌওং অসিবু এথরোসক্লে-রোসিস হায়না খঙনৈ। এথরোসক্লেরোসিস হায়বসি অর্টরিওসক্লেরোসিস মখল অমনি। ঈনা অর্টরি ফাওরগা হার্ট, ব্রেন, পেলভিস, খোঙ, খুৎ নৎত্রগা কিদনি য়ৌনা চেল্লি। অদুবু এথরোসক্লেরোসিস (ঈ উতোং থাগৎলগা খুজিল্লকপা) না মরম ওইরগা হার্ট দিজিজ, এঞ্জিনা (থবাক নাবা), এরোটিক অর্টরি দিজিজ, পেরিফরেল অর্টরি দিজিজ (পি এ দি) অমসুং ক্রোনিক কিদনি দিজিজ (সী কে দি) নচিংবা লায়না কয়া ওইহল্লকপা য়াই। অদুম ওইনমক নুমীৎ খরা মেদিটেসন তৌবগা লোয়ননা মনা মশিং খক্তা চাবা অমসুং যোগ শান্নবা মতমদা লায়না অসিগী রিস্ক হন্থরকই হায়রি।

মমি ৱারী

# ‘খৌরাংবা’

তিংথৌনু





Tingthounu is a visual artist based in Imphal.